## কাওন্সিল ওফ মিনিষ্টরগী মীফম পাঙথোক্লগনি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ১০ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চ্যের লৌদুনা জুলাই ১৪দা কাওন্সিল ওফ মিনিষ্টরগী মীফম অমা পাঙথোক্কুনা কোভিদ-১৯গী ক্রাইসিস থেংনবা অমদি অতৈ ইস্যু কয়াগী মতাংদা খন্নরবা য়াই হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা ছোর্সশিংনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টরনা মিনিষ্টর খূদিংমক্তগী কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কা মরী লৈনবা ক্রাইসিস মেনেজ তৌনবগী মখোয়গী ওইবা রোদ মেপশিং খঙদোক্নবা হোৎনগনি। মসিদা নত্তনা প্রাইম মিনিষ্টরগী 'আত্মানিভার ভারত' ভিজন থুংহন্নবগী থৌরাং কয়াসু মহাক্না মিনিষ্টরশিংগা তানগনি।

মীটিং অসিদা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ অমসুং ফেমিলি ৱেলফেয়র অমসুং এদ্যুকেসনগুম্বা মরু ওইবা মিনিষ্ট্রিশিংগা মরী লৈনবা ইস্যু কয়া খন্নরবা য়াই হায়রি। মীটিং অসি মোদিনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মরু ওইবা রিসফল অমা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা মহাক্কী কাওন্সিল ওফ মিনিষ্টরগা লোয়নননা পাঙথোকপা অনীশুবা ইন্টরেক্সন ওইগদৌরিবনি। য়ুমশকৈশা নুমিৎকী এক্সরসাইজ অদুদা অনৌবা মিনিষ্টর ৩৬ হাপচিনখি অমসুং হান্নগী মিনিষ্টর ৭ প্রমোসন পীখি।

## নো ফ্লাই জোন লাউথোকখ্রে

চেন্নাই, জুলাই ১০ (এজেন্সী): নেভেল এয়র ষ্টেসন আই এন এস রাজালি, অরাকোনমগী অকোয়বা কিলোমিটর অহুম্না কোনবা মফমশিং 'নো ফ্লাই জোন' ওইরে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লাউথোকখ্রে।

নো ফ্লাই জোনগী মনুং চনবা মফমশিংদা ইন্দিভিদ্যুএলশিং অমসুং সিভিল এজেন্সিশিংনা মাঙজৌননা অয়াবা লৌদ্রবদি নন-কন্ভেন্সনল এরিএল ওবজেক্টশিং- দ্রোন, অনমেন এরিএল ভেহিকলস (য়ু এ ভি) পাইবদা অথিংবা থম্মী। নো ফ্লাই জোনগী মনুংদা ফ্লায়িং ওবজেক্টশিং অসিবু ওপরেট তৌরিবশিং ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী প্রোভিজনশিংগী মখাদা চার্জ তৌগনি।

ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, অয়াবা লৌদনা পাইরিবা দ্রোনশিং নৎত্রগা অনমেন এরিএল ভেহিকল (য়ু এ ভি) য়াওনা নন-কনভেনসনল এরিএল ওবজেক্ট খূদিংমক আই এন এম রাজালিনা থুগায়নি নৎত্রগা মৎকনি। ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না, ওপরেটর খূদিংমক্না নৎত্রগা সিভিল/গভর্ণমেন্ট এজেন্সিশিংনা দ্রোনশিং শীজিন্নবগী অয়াবা পীবসি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা ইস্যু তৌবা গাইদলাইনশিংনা গভর্ণ তৌই।

## ভেক্সিনেসন কোভরেজ ক্রোর ৩৭ হেল্লে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ১০ (এজেন্সী): হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা ইন্দিয়া শীন-থুংনা ভেক্সিন দোজ ৩০,৫৫,৮০২ কাপখিবগা লোয়নননা ইরাই নুমিত্তা লৈবাক অসিগী অপূনবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন কোভরেজ ক্রোর ৩৭ হেনখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী প্রোভিজনেল রিপোর্ট মতুং ইন্না থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পূং ৭ ফাওবদা সেসন ৪৮,০৪,৪২৩গী খূথাংদা পূন্না ভেক্সিন দোজ ৩৭,২১,৯৬,২৬৮ কাপখ্রে। হৌজিক চথুরিবা অচৌবা ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অসিদা হৌজিক ফাওবদা হেল্থক্যের ৱর্কর ১,০২,৪৪,৪৫৯ এন্টি-কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজশিং কাপখি অমসুং মখোয়গী মনুংদা ৭৩,৮৪,৪৩৯না অনীশুবা দোজ কাপখ্রে।

## জেলদগী খূৎলায়, গঞ্জা, ফোন ফংলে

বেঙ্গলুরু, জুলাই ১০ (এজেন্সী): বেঙ্গলুরুগী সেন্ট্রেল ক্রাইম ব্রাঞ্চ (সী সী বি)গী স্লুথশিংনা থাংজ নুমিৎকী নোংঙাল্লমদাইদা বেঙ্গলুরু সেন্ট্রেল প্রিজনদা রেইদ চথখিবগা লোয়নননা য়াম্লবা খূৎলায়শিং, ময়াই কাবা পোৎলমশিং অমসুং মোবাইল ফোনশিং জেল অসিদা থল্লিবা শাথিরবা ক্রিমিনেলশিংদগী ফারকখ্রে।

রেইদ অদু জোইন্ট কম্মিস্নর ওফ পুলিস (ক্রাইম) সন্দিপ পাতিলগী মীৎয়েং মখাদা চথখিবনি হায়রি। ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না সী সী বিগী স্লুথশিংনা ইনমেটশিং অদুদগী থাঙশাং, থাঙপাক, ছুড়ি অমদি কাতিশিং য়াওনা মী শিহনবা য়াবা খূৎলায় ৪০ হেন্না ফংখি। মখোয়না গঞ্জা, গঞ্জা থক্লবগী পাইপ, মোবাইল ফোন অমসুং পেন দ্রাইভনচিংবসু ফাগৎখি।

## মীয়াম্না কোভিদকী কাংলোনশিং ইন্দবসিনা ৩শুবা কোভিদ ৱেভ লাকপগী মরম ওইগদৌরি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ১০ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদা কোভিদ পেন্দমিক্কী অহুমশুবা ৱেভ লাকপা তারবদি মদু মীয়াম্না কোভিদকী কাংলোনশিং ইন্দবদগী থোক্লকপা ওইগনি হায়বসি ন্যুজ এজেন্সি আই এ এন এসকী ওপিনিয়ন পোলদগী খঙবা ঙম্লে।




তোঙান তোঙানবা সিটিশিংগী মার্কেটশিং অমসুং পব্লিক প্লেসশিংদা কোভিদকী কাঙলোনশিং থুগায়দুনা মী য়াম্না তিল্লকপা অমসুং হিল ষ্টেসনশিংদসু মীয়াম্না চওম শানা তিল্লকপা লোয়নননা করিগুম্বা লৈবাক অসিদা কোভিদকী অহুমশুবা ৱেভ লাক্লবদি মীয়াম্না থোকহনবা ওইগনি হায়না লৈবাক অসিগী মী অয়াম্বনা মোত পীনরি।

আই এ এন এস সী ভোটর লাইভ ন্যুজ ট্রেকরদা করিগুম্বা লৈবাক অসিদা অহুমশুবা কোভিদ ৱেভ লাক্লবদি মদু মীয়াম্না থোকহনবা ওইগনি হায়না রেস্পোন্দেন্ট চাদা ৫৭.০না ফোঙদোকখি। সর্ভে অদুদা ইন্টরভিয়ু তৌখিবশিংগী চাদা ৩৪.০খক্তনা অহুমশুবা ৱেভ লাকপা তারবদি গভর্ণমেন্টনা থৌদাং লৌফম থোকই হায়খি। অতৈ রেস্পোন্দেন্টশিংদি অহুমশুবা কোভিদ ৱেভকা মরী লৈননা কনানা থৌদাং লৌফম থোকপগে হায়বগী মতাংদা মোত পীখিদে।

লৈবাক অসিদা ভেক্সিনগী অৱাৎপা লৈতে হায়না সেন্টরনা ক্লেম তোয়না তৌদুনসু সর্ভে অদুদা ইন্টরভিয়ু তৌখিবা রেস্পোন্দেন্ট কয়ানা মখোয় ভেক্সিন দোজ লাইনা ফংবা ঙমদে অমসুং শাথিরবা ভাইরস অসিদগী ঙাকথোক্নবা ভেক্সিন কাপ্নবা হোৎনবদা মতম শাংনা ঙাইবা চঙই হায়খি।

ইন্টরভিয়ু তৌখিবশিংগী চাদা ৪৭.০না ভেক্সিন কাপ্নবগীদমক মতম শাংনা ঙাইবা চঙই হায়রবসু রেস্পোন্দেন্ট চাদা ৪২না তোঙানবা এক্সপরিএন্স ফোঙদোক্লদুনা ভেক্সিন কাপ্পগীদমক মখোয় মতম শাংনা ঙাইখিদে হায়খি। অতৈ রেস্পোন্দেন্টশিংনা লৈবাক অসিদা ভেক্সিন ৱাৎপা-ৱাৎতবগী ৱাফম অসিগী মতাংদা চপ চানা মোত পীবা ঙমদে হায়খি।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভ মনুংদা নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা মেদিকেল ওক্সিজেন জেনরেসন প্লান্ট লিংখৎনবা ৱারেপ লৌখিবসি থেংমল্লি হায়না ইন্দিয়ন অয়াম্বনা থাজে।

রেস্পোন্দেন্ট চাদা ৫১না দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তা মেদিকেল ওক্সিজেন জেনরেসন প্লান্ট লিংখৎপগী ৱারেপ অসি থেংমল্লি হায়বসু সর্ভে অদুদা ইন্টরভিয়ু তৌখিবশিংগী চাদা ৩৮না ৱারেপ অদু মতম চানা লৌখি হায়না মোত পীখি।

অতৈ রেস্পোন্দেন্টশিংদি গভর্ণমেন্টনা মতম চানা ৱারেপ লৌখিবরা নৎত্রগা মরু ওইবা ইস্যু অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌবদা থেংখিবরা হায়বগী মতাংদা চপ চানা হায়বা ঙমখিদে।

## উত্তরখন্দগী সী এমনা মোদি উনদুনা কোভিদ, অতৈ ইস্যু কয়া খন্নখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ১০ (এজেন্সী): উত্তরখন্দগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর পুস্কর সিংহ ধামিনা থাংজ নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উনখ্রে অমসুং ষ্টেট অসিগী হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী ফিভম অমসুং অতৈ মরী লৈনবা ইস্যুশিংগী মতাংদা খন্নখ্রে।



মিনিট ৪০ রোম চুপ্পা প্রাইম মিনিষ্টরগা ৭ লোককল্যান মার্গতা লৈবা মহাক্কী রেসিদেন্সতা উনখিবা অদুদা উত্তরখন্দগী চীফ মিনিষ্টরনা কোভিদ-১৯গী অহুমশুবা ৱেভ থেংননবা মহাক্কী ষ্টেটনা শেম-শারিবশিং অমসুং লায়না অসি শন্দোরকপা লাকশিন্নবা ষ্টেট অসিদা ভেক্সিনেসন কনশিন্নবা লৌখৎলিবা প্রোসিজরশিং প্রাইম মিনিষ্টরদা পনখি।

ধামিনা উত্তরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর ওইরবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরগা ফোর্মেল ওইনা উনবসি মসিনা অহানবনি। মহাক্না থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা নেসনল কেপিটেলদা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ অমসুং ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী অতৈ লীদরশিংগসু উনখি।

উত্তরখন্দগী সী এম অসি কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট অসিগী মীখলগী শেম-শাবগী মতাংদা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নাদ্দাগসু উননবা লেপখ্রবনি।

উধম সিংহ নগর দিষ্ট্রিক্টতগী খতিমা কন্সটিট্যুএন্সিদগী অনীরক কারবা মশাগী চহী ৪৫ শুরবা পুস্কর সিংহ ধামিনা জুলাই ৪দা উত্তরখন্দগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইখি। মহাক হৌখিবা চয়োলদা গভর্ণরদা রেজিগনেসন পীশিনখিবা টিরাথ সিংহ ৱাৱটকী মহুৎ শিল্লিবনি। থা মরিরোমগী মনুংদা ধামিনা ষ্টেট অসিগী অহুমশু বা চীফ মিনিষ্টরনি।

ষ্টেট অসিনা কোভিদ-১৯ পেনদমিক্কী অহুমশুবা ৱেভকীদমক শেম-শাবগী ফিভম মহাক্না ইরাই নুমিত্তা রিভিয়ু তৌখি অমসুং জুলাইগী অরোইবা ফাওবগী মনুংদা শেম-শাবগী থবক খূদিংমক লৌখৎনবা মহাক্না মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট খূদিংমক্তা দিরেক্সন পীখি।

শাথিরবা লায়না অসিগী অহুমশুবা ৱেভ থেংননবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং, সি ঐচ সীশিং অমসুং দি ঐচ সী খূদিংমক্তা পেদিয়াত্রিক ৱার্দশিং তোঙান্না হাপচিন্নবা অমসুং ওক্সিজেন, আই সী য়ুশিং অমসুং ভেন্টিলেটরশিং মরাং কায়না লাংহৌনবা মহাক্না মরী লৈনবশিংদা দিরেক্সন পীখি।

পি এম ক্যের্স ফন্দগী মখাদা অমসুং কম্পনিশিংনা কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটি (সী এস আর)গী মখাদা পীরকখিবা মেদিকেল ইক্বিপমেন্ট অমসুং টুলশিংগী ফিভম য়েংশিন্নবসু ধামিনা ওফিসলশিংদা খঙহনখি।

## নুপী অমা লিলনা চিকপদা শিরে, মচা কলহৌরে

ভুবনেশ্বর, জুলাই ১০ (এজেন্সী): উরিষাগী জয়পুর দিষ্ট্রিক্টতা নুপী অমা লিলনা চিকপদগী শিখ্রে, তৌইগুম্বসুং মহাক্না পীল্লিবা মচাগী থৱায় কনবদি ঙমখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

লিলনা চিকপদগী লৈখিদ্রবা নুপী অদু প্রিয়াদর্শিনি রৌত কৌই, জয়পুর দিষ্ট্রিক্টকী দশরথপুর ব্লোকনা কোনবা দ্যুলাবাদ ভিলেজদা লৈবনি। খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকপদা, প্রিয়াদর্শিনি শগোলশেন নুমিৎকী নুংথিলদা মচানুপা কন্নবা হোৎনবদা হু চেনবা লিল অমনা চিকপদগী শিখিবনি।

শগোলশেন নুমিৎকী নুংথিল পূং ৩ লোম তাবদা প্রিয়াদর্শিনিনা চহী অনি মখায় শুবদা ঙাইরিবা মচানুপাবু শুন্নীদুনা তুমহনখি। মতমদুদা মহাক্না খারৌ অমা মচানুপা তম্না চঙশিল্লকপা উখি। খূদক্তা মহাক্না লিল অদুবু পায়খি। তৌইগুম্বসুং লিল অদুনা মহাক্কী য়েৎথংবা খূৎতা চিকখি।

লিলনা চিক্লবা প্রিয়াদর্শিনি জয়পুরদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎখি। তৌইগুম্বসুং দোক্টরশিংনা মহাক শিরে হায়রকখি। মতুং তাবদা লোকেল স্নেকবাইট হেল্পলাইনগী মেম্বরশিংনা কোব্রা অদুবু এরিয়া অদুদগী রেস্ক্যু তৌখি।

ইন্সপেক্টর ইন-চার্জ মানাস রঞ্জন চাক্রাগী মতুং ইন্না অন্নেচরেল দেথকী কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি অমসুং হকচাং অদু ইরাইগী অয়ুক্তা ওটোপসি লোইরবা মতুংদা ইমুং মনুংদা শিন্নখি।

## কর্নাটকাদা জিকা ভাইরস থিংনবা গাইদলাইনশিং থোকখ্রে

বেঙ্গলুরু, জুলাই ১০ (এজেন্সী): য়ুমথংনরিবা কেরেলাদা জিকা ভাইরসকী কেস কয়া থেংনবদগী মীপাইবা পোক্লবা কর্নাটকানা ইরাই নুমিত্তা লায়না অসি ষ্টেট অসিদা শন্দোরকপদা থিংনবগী গাইদ-লাইনশিং ইস্যু তৌখ্রে।

বেঙ্গলুরুদা ষ্টেট হেল্থ কাশ্মির ত্রিলোক চন্দ্রনা থোকপা ওর্দর অমনা হায়, নোংজুথা মতমদা জিকা ভাইরস শন্দোক্লিবা এদিস মোসক্বিটো হায়রিবা কাঙ মখল অসি মশিং য়ামথোকহন-গদবনা ষ্টেট অসিগী রুরেল অমসুং অর্বান এরিয়াশিংদা সর্ভিলেন্সকী থবক কন্না পায়খৎকদবনি।

এদিস মচা পোকফমশিং ওইবা য়াবা মফমশিং সর্ভে তৌনবা অমসুং এয়রপোর্টশিং, সী পোর্টশিং অমসুং রুরেল অমদি অর্বান সিভিক ৱার্দশিংদা কাঙ মচা পোকপা হুন্থহন্নবগী থবকশিং পায়খৎনবা ওর্দর অদুনা ওথোরিটিশিংদা খঙহনখি। ভেক্টর মেনেজমেন্ট অদুদা য়ুম, কম্যুনিটি অমসুং ইন্সটিট্যুসনল লেভেলদা পায়খৎপা লার্ভি, বাইও-লোজিকেল অমসুং কেমিকেল কন্ট্রোলগী থবক য়েংশিনবা য়াওগদবনি হায়না ওর্দর অদুদা পনখি।

জিকা ভাইরস ইনফেক্সনগী লাইওংশিংদা লাইহৌ, উনশাদা খামহৎপা, মীৎ নাবা (কঞ্জঙ্কটিভাইটিস) অমসুং তাং-তাংদা চীকপা-শাবা য়াওই। ত্রাভেল হিষ্ট্রি নৎত্রগা য়ুমদা গেষ্ট লাকপা অসি লায়না অসি শন্দোক্লবগী মরমশিং ওইনা খন্নবা য়াই। ওর্দর অদুনা লোকেল ওথোরিটিদা চিংননিংঙাই ওইবা কেসশিংগী সেম্পলশিং খোমদুনা টেষ্টকীদমক বেঙ্গলুরুদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ভাইরোলোজি (এন আই ভি)দা থাননবা পাউতাক পীখি।

ওর্দর অদুনা হায়, মীরোনবী নুপীশিং অল্ট্রা সাওন্দ স্কেনিং তৌবা মতমদা পুক্লুংগী অঙাংদা মাইক্রোসেফালি হায়বদি কোক কা-হেন্না পীকপা অমসুং ব্রেন দিভলপমেন্ট ৱাৎপগী ফিভম লৈব্রা হায়বদু কূপ্না য়েংগদবনি। করিগুম্বা কন্দিসন অসি থেংনরবদি এন আই ভিদা মীরোনবী নুপী অদুগী সেরম সেম্পল থাদুনা টেষ্ট তৌগদবনি। কোয়লাদা জিকাগী কেসশিং থেংনবদগী চমারাজনগর, দক্ষিনা কন্নারা অমসুং উদুপিগুম্বা বোর্দর দিষ্ট্রিক্টশিং মীকূপ নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে।

## উরিষাগী দি জি পিনা প্রোগ্রাম হোংলগা অশোকপা পর্সনল ২ এয়রলিফ্‌ট তৌখ্রে




ভুবনেশ্বর, জুলাই ১০ (এজেন্সী): থৌনা লৈবগী থৌওং অমদা উরিষাগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসনা মহাক্কী প্রোগ্রাম হোংদুনা মহাক্না তোংলিবা হেলিকোপ্টর অদুদা এন্টি-মাওইষ্ট ওপরেসন অমদা শোক্লবা জৱান ২ এয়রলিফ্‌ট তৌখ্রে।

উরিষা পুলিসকী মতুং ইন্না, দি জি পিনা সিনিয়র পুলিস ওফিসলশিংগা লোয়নননা লেফ ৱিং এক্সট্রিমিজম (এল দব্লিয়ু ঈ)গী মায়োক্তা পায়খৎলিবা থবক রিভিয়ু তৌনবা মালকনগিরি অমসুং কোরাপুত দিষ্ট্রিক্টশিংদা টুর অমা চৎখি। তৌইগুম্বসুং সুনাবেদ্দা লৈরিঙৈদা এন্টি-মাওইষ্ট ওপরেসনদা জৱানশিং শোকপগী পাউ তাবদগী মখোয়গী প্রোগ্রাম হোংখি অমসুং পাদেলপাদাদা চঙশিনখি।

মখোয়না দোক্টর অমগী মতেংগা লোয়নননা অশোকপা জৱান অনী ভুবনেশ্বরদা এয়রলিফ্‌ট তৌখি। কমান্দো অনীমক হৌজিক এইমস ভুবনেশ্বরদা ট্রিটমেন্ট তৌবগা লোয়নননা মখোয়গী ফিভম নুংশা থীনিংঙাই ওইদ্রে। লোয়নননা এরিয়া অদুদা ওপরেসন কনশিনখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি। দি জি পি অজয়না হায়, ঙসি অয়ূক কনধামাল দিষ্ট্রিক্টকী গোচাপাদা পি এসনা কোনবা মফম অমদা উরিষা পুলিসকী এস ও জি জৱানশিং অমসুং মাওইষ্টশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্লুখি। থৌদোক অদুদা জৱান অনী শোকখি, লোয়নননা মাওইষ্টশিংসু শোকপগী পাউ ফংখি।

দি জি পিনা মখা তানা হায়, বি এস এফ অমসুং মখোয়গী পাইলোটপু ঐহাক্না থাগৎপা পাম্মী। চোপ্পর অদু সর্ভিস অসিদা শীজিন্নবগী দ্যুটি তৌখিবা নত্তে। মালকনগিরি অমসুং কোরাপুততা উরিষা পুলিসকী টুর প্রোগ্রাম অমগী ইনগেজ তৌখিবনি।

ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স (আই এ এফ)কী হেলিকোপ্টর অমসু হায়নখি। তৌইগুম্বসুং নোং-চিংগী ফিভম ফত্তবদগী লাকপা ঙমখিদে। তৌইগুম্বসুং বি এস এফকী পাইলোট অদুনা খূদক্তা অতোপ্পা লম্বী অমদা পাইখি অমসুং পাদেলপাদা কৌবা য়াম্না পীকপা মফম অমদা থুংদুনা অশোকপা জৱানশিং অদু মায় পাক্না এয়রলিফ্‌ট তৌখি। মহাক্না সর্ভিস অদুগীদমক্তা দ্রেস হোংদনা খূদক্তা লাকখিবা কষ্টামল পি ঐচ সী দোক্টরবুসু থাগৎখি।

## সী বি আইনা হান্নগী ভি সিগী প্রেমিসিজ ১৪দা সর্চ তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ১০ (এজেন্সী): সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না ইরাই নুমিত্তা ঐচ এন বি গরহৱাল য়ুনিভর্সিটিগী হান্নগী ভাইস চান্সেলর জে জে কোল, মহাক্কী ও এস দি অমসুং অতৈ কয়াগী উত্তরখন্দ অমসুং উত্তর প্রদেশতা লৈবা রেসিদেন্সিএল অমসুং ওফিসল প্রেমিসিজ ১৪দা থী-হুম্বা চথখ্রে।

হান্নগী ভি সি অসিগী মতমদা তোঙান তোঙানবা কোলেজ নৎত্রগা ইন্সটিট্যুটশিংদা এফিলিএসন পীবদা অরান-অহুই কয়া লৈখিবগী মতাংদা শীজিন্নবা এজেন্সি অসিনা রেজিষ্টর তৌখিবা কেস অমগা মরী লৈননা থী-হুম্বদু চথখিবনি।

সী বি আইগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোরকপদা এজেন্সি অসিনা কোলা মহাক্কী ওফিসর ওন স্পেসল দ্যুটি অমসুং অতৈগা মরী লৈনবা শ্রীনগর অমসুং দেহরাদুন (উত্তরখন্দ) অমদি নোইদা (উত্তর প্রদেশ)দা লৈবা রেসিদেন্সিএল অমসুং ওফিসল প্রেমিসিজদা থীবা-হুম্বা চথখি।

ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না, এজেন্সি অসিনা তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিংগী লোকর অহুমগী অকূপ্পশিংসু ফংখি। কেস অসিগা মরী লৈননা দোক্যুমেন্ট কয়াসু ফংখি।

ꯁ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯔꯤ / শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নম :



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাই পুম্নমকপু কোনবীরম্বা **ৱাহেংবম সরতচন্দ্রা সিংহ**-না মহাক্কী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ০৭-০৭-২০২১ ইং, ইঙাগী ২৮নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শাচিদনন্দা দাস হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১২-০৭-২০২১ ইং ইঙেনগী ২নি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ১৯-০৭-২০২১ ইং ইঙেনগী ১০নি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা লৈখিদ্রবগী চিড়া উৎসব দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

কোভিদনা মরম ওইদুনা ইমুং-মনুং অমদি লাইগী থৌরম খক্তমক পাঙথোকচগনি।

থৌরম পরেং:-
অয়ূক পুং ৮:০০ - সঙ্কীর্ত্তণ হৌবা
অয়ূক পুং ১০:৩০ - থৌরম লোইবা

বিনিত ঃ-
ৱাহেংবম ওংবী রাজকুমারী সনাহনবী দেবী (সহধর্ম্মীনি)

সগোলবন্দ তেরা পুখ্রি মপাল, সয়াং লম্বী।

HL-P/6878/11, 12

ꯅꯨꯡꯁꯪ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি


Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6972/16/6-14/7

LEISHEMBA KHUNTHOKPA
AHANBA LIKLAM LIKHUN LIBA LUP
KANGLEIPAK

ꯑꯋꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯕꯥ / অৱাবা ফোঙদোকচবা



চৈচৎ ৯/৭/২০২১ কুমজা ইঙাগী ২৯নি পানবা ইরাই নুমীৎতা থৱায়না পোন্থা ওইখ্রবী ওইনাম শান্তিবলা চনু, পিশুম ওইনাম লৈকাইদা লৈবীরম্বীগী মফমদা লূপ অসিগী মরুওইবা মেম্বরশিংগা লুচিং পুরেল পুকোক্না পূন্না কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্তুনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ঈংনা-চিক্না মপূগী লৈকোলদা তিল্লুনবগীদমক্তা থৌনীজদুনা লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

অৱাবা ফোঙদোকচরিবা : **L. Jiten Mangang**
Liklam Development Committee
Leishemba Khunthokpa Ahanba,
Liklam Likhun Liba Lup, Kangleipak.

HL-P/6875/11

ꯁ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯔꯤ / শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নম :



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইগা লোয়নরম্বা **ফুরিৎশাবম শরতচন্দ্রা সিংহ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ০৬/০৭/২০২১ ইং, ইঙাগী ২৭নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা শ্রী গুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রী কৃষ্ণ চৈতন্য চন্দ্রা দাস হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন্দ প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ১২/০৭/২০২১ ইং, ইঙেনগী ২নি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ১৯/০৭/২০২১ ইং, ইঙেনগী ১০নি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

কোভিদনা মরম ওইদুনা ইমুং-মনুং অমদি লাইগী থৌরম খক্তমক পাঙথোকচগনি।

বিনিতগণ ঃ-
ফুরিৎশাবম ওংবী সৈত্যভমা দেবী (সহধর্ম্মীনি)

| | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| ১। | ফুরিৎশাবম ওংবী রেবতি দেবী | (মতৈমা) | ১। | হৈস্নাম সুরচন্দ্রা সিংহ | (মমাক্লুপা) |
| ২। | হৈস্নাম ওংবী জবোতি দেবী | (মচানুপী) | ২। | ফুরিৎশাবম কিরনকান্তা সিংহ | (মচানুপা) |
| ৩। | ফুরিৎশাবম ওংবী মোধুবালা দেবী | (মমৌনুপী) | ৩। | ফুরিৎশাবম রজনিকান্তা সিংহ | (মচানুপা) |
| ৪। | ফুরিৎশাবম ওংবী সুনিতা দেবী | (মমৌনুপী) | ৪। | ফুরিৎশাবম নিলকমল সিংহ | (মচানুপা) |
| ৫। | ফুরিৎশাবম ওংবী রামেশ্বরী দেবী | (মমৌনুপী) | ৫। | হুইদ্রোম অথৌবা মীতৈ | (মমাক্লুপা) |
| ৬। | হুইদ্রোম ওংবী মোশিলা দেবী | (মচানুপী) | ৬। | ফুরিৎশাবম ভিগুজিৎ সিংহ | (মচানুপা) |
| ৭। | ফুরিৎশাবম ওংবী পদমিনি দেবী | (মমৌনুপী) | ৭। | ফুরিৎশাবম সুভাসচন্দ্রা সিংহ | (মচানুপা) |
| ৮। | ফুরিৎশাবম ওংবী রেনুবালা দেবী | (মমৌনুপী) | ৮। | ফুরিৎশাবম ধনাবির সিংহ | (মচানুপা) |
| ৯। | ফুরিৎশাবম ওংবী দেবলা দেবী | (মমৌনুপী) | ৯। | ফুরিৎশাবম ওজিৎকুমার সিংহ | (মচানুপা) |
| ১০। | ফুরিৎশাবম ওংবী থাবা দেবী | (মমৌনুপী) | ১০। | ফুরিৎশাবম শচিনন্দা সিংহ | (মচানুপা) |
| ১১। | ফুরিৎশাবম ওংবী প্রিয়া দেবী | (মমৌনুপী) | ১১। | ফুরিৎশাবম শিতলজিৎ সিংহ | (মচানুপা) |
| ১২। | হুইদ্রোম ইনুংঙানবী (থোইথোই) চনু | (মশুনুপী) | ১২। | ফুরিৎশাবম মানাঙম্বা সিংহ | (মশুনুপা) |
| | | | ১৩। | ফুরিৎশাবম গৌরভ সিংহ | (মশুনুপা) |

থৌরম পরেং:-
ভেক কৎপা - অয়ূক পুং ৮:০০
সঙ্কীর্ত্তণ হৌবা - অয়ূক পুং ৮:৩০
প্রসাদি ফংবা - অয়ূক পুং ১১:০০
থৌরম লোইশিনবা - অয়ূক পুং ১১:৩০

নাগামপাল পাউনম লৈকাই, লাই ঈশিং চাইবা।।

HL-P/6876/11

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 61,40,000+8,992 | 59,00,000+10,458 | 1,25,000+738 |
| Kerala | 30,40,000+13,563 | 29,10,000+10,454 | 14,380+130 |
| Karnataka | 28,70,000+2,290 | 27,90,000+3,045 | 35,731+68 |
| Tamil Nadu | 25,10,000+3,039 | 24,50,000+3,411 | 33,322+69 |
| Andhra Pradesh | 19,20,000+3,040 | 18,70,000+4,576 | 12,960+14 |
| Uttar Pradesh | 17,10,000+83 | 16,80,000+162 | 22,689+13 |
| West Bengal | 15,10,000+990 | 14,80,000+1,424 | 17,886+19 |
| Delhi | 14,30,000+81 | 14,10,000+127 | 25,011+3 |
| Chhattisgarh | 9,97,000+391 | 9,79,000+307 | 13,472+5 |
| Rajasthan | 9,53,000+62 | 9,43,000+70 | 8,943+1 |
| Odisha | 9,35,000+2,806 | 9,07,000+3,341 | 4,476+61 |
| Gujarat | 8,24,000+56 | 8,13,000+196 | 10,073+1 |
| Madhya Pradesh | 7,90,000+29 | 7,81,000+38 | 9,024+1 |
| Haryana | 7,69,000+57 | 7,59,000+89 | 9,534+9 |
| Bihar | 7,23,000+95 | 7,12,000+217 | 9,614 |
| Telangana | 6,31,000+729 | 6,16,000+987 | 3,720+6 |
| Punjab | 5,97,000+152 | 5,79,000+259 | 16,168+11 |
| Assam | 5,30,000+2,493 | 5,02,000+2,481 | 4,788+24 |
| Jharkhand | 3,46,000+55 | 3,41,000+82 | 5,119 |
| Uttarakhand | 3,41,000+65 | 3,32,000+191 | 7,338 |
| Jammu and Kashmir | 3,18,000+261 | 3,11,000+304 | 4,354+1 |
| Himachal Pradesh | 2,03,000+180 | 1,99,000+127 | 3,487+1 |
| Goa | 1,68,000+220 | 1,63,000+188 | 3,088+2 |
| Puducherry | 1,19,000+126 | 1,15,000+192 | 1,768+1 |
| **Manipur** | **76,032+852** | **68,171+959** | **1,251+10** |
| Tripura | 69,961+411 | 65,095+429 | 712+3 |
| Chandigarh | 61,811+17 | 60,901+16 | 809 |
| Meghalaya | 53,670+426 | 48,380+417 | 899+9 |
| Arunachal Pradesh | 39,085+403 | 35,342+305 | 186 |
| Nagaland | 25,787+60 | 24,305+87 | 507+2 |
| Mizoram | 23,551+537 | 19,124+117 | 103+2 |
| Sikkim | 21,965+170 | 19,476+137 | 312 |
| Ladakh | 20,167+12 | 19,830+15 | 206+1 |
| Lakshadweep | 10,002+22 | 9,729+34 | 49 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,492 | 7,352+1 | 128 |